ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ০৫, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০০৮শুবা মশীং

অপুন্বা ঈশিংনদি য়াল্লে
অদুবু ভোটতি থাদহৌবা চুমগনি

চীংলোন ৯না কোইশিনবা পীক্লবা মণিপুরগী লৈমায়দা লৈরক্লিবা ঈশিং মোৎশিল্লকপা কুইরে। তরু-তরুবা, অরুবা ঈশিং ওইগদবদা ওইদ্রে। মসিগী মরম ময়াম লৈ। মরমশিংদুগী মনুংদা অমদি মতম-মতমগী লৈঙাক্লোইশিং, মখোয়গা পুংবা শেমখিবা মীওইশিং, খূৎশম্নুনা চৎমিন্নখিবশিংনা ফত্ত-হৌদি তৌশিল্লকপা, অমোৎ-অকাইশিং থাদরকপা, মশাগীতা খল্লগা মীয়াম অমসুং লৈবাক্কী খন্দবা থৌওং-থৌদা কয়াদগীনি। নোংম-নোংমগী মোৎশিলহল্লকপনা হৌজিক্তি মণিপুরগী লৈমায়দা লৈরক্লিবা ঈশিং চুম্না মোৎলম্বা, নৈরম্বদগী পুমশিল্লক্লে, নমথীরে। ঈশিংসিদা লৈবা ঙাগুন্নবা মীয়াম্না ঙাঙনীং-শক্লিংলকপদা পুম্নম নন্নবা ঈশিংনা পল্লে। অনীংবা-অপান্বা ফোঙদোক্লবগী য়া কাখৎলুবদা ফত্তবা ঈশিং পূক্লুংদা চঙখিদুনা থৱায় মাঙগদ্রা খনবদগী ঙাঙনদ্রে। ইপুরোইবা ফত্তবা শিবা ঙাইবা, ইচা ফত্তবা চাউবা ঙাইবগী ফীভমদা খূৎশা তরা প্রোক-প্রোক থেক্তুনা নীংদোল পোম্না হিংনরকপা কুইরে। ফীভমসিগী মথক্তা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরদুনা মোৎখ্রবা ঈশিংসিদা হিংহাৎ-হিংহাৎ হাত্তোকপীখ্রবা মীওই কয়াগী অঙাংবা ঈখেংশিংসু চেন্থরক্লে। য়ূম কয়া মৈ থাদোকখিবগী তাঙ্গোই অমসুং উৎশিং তাশিল্লক্লে। মীকপ-মীরাওখোল কয়াগী মিৎকী পি কয়াসু তিল্লরে। ঈশিংসি হান্নদগী হেন্না মোৎশিল্লে, খুদোল লুপনীংদ্রে, হন্না ফাওবা য়েংনীংদ্রে। অদুক্কী মতিক খারে, পেল্লে। মণিপুর কৌবা লমসিদা পোক্লুবা, চাউরকপা মীওই পূম্নমক করিনুংগীনো হায়বদু য়ৌরে। মকোক মকোক্তা মখূৎ হাপ্পদুনা হা-কার লাউনা খাঙনরে। তাঞ্জাসিদা লৈবাকসিগী য়ুনিয়ন লৈঙাক খূৎপায়ননবা মীহুৎশিং খন্নবগী ১৮শুবা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্লগদৌরে। মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎশিং লাউথোকখ্রে। তাঙ্কক ৭ থোক্লা থাদনগদৌরিবা ভোটসিগী অহানবা শরুক্কী মীখলশিংগী নোটিফিকেসন থোক্লখ্রে। মীরেপ চে পীশিন্নবা অমসুং লৌথোক্লবগী মতম ফাওবা লোইশিন্নবা য়াওখ্রে। ইশম-শম্বদা মীখলসিগী থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লক্লে। ভোট থাদনগদবা মতমসু খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লে। মসি ওইরগদি মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ভোটরশিং করি তৌবা তাবগে?

ৱাহংসিগী অচুম্বা-অশেংবা পাউখুম পীবা ঙম্মনবা ভোটরশিংনা শেম শাহৌবা চুমগনি। মসি হায় হায়দুনা মীখলসিগী মীরেপশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিং উগনি হায়না মমিৎ উইশিন্দুনা খাঙলিবা, ভোটকী ভিক্ষা নিরক্কনিনা থোঙ্গাল অমসুং মমাঙথোঙ চেৎনা লোল্লিবা ভোটরশিংবু নমদুনা মীখলসিদা শরুক য়াদুনা ভোট থাদদবা য়াদে হায়বা নত্তে, প্রেসর নত্তে, থ্রেটনসু নত্তে। শেল নৎত্রগা ওইজ-ওইথক্লা মন্তিক্নরগা ভোটিং রাইটস য়োল্লু হায়বসু নত্তে। হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক, লৈঙাকশিংসিগী লৈঙাক্লোইশিং হু তরেৎমুক খাবা ভোটরশিংগী মশীং য়াল্লে হায়বসু অরোনবা ওইদ্রবনি। ফীভমসিদা থা ১২ চঙশিল্লক্লবা লানগী ৱারোইশিন পুরক্লি, রিলিফ কেম্পশিংদা শৈদাংদুনা হিংলক্লিবশিং মশাগী ময়ূম-ইঙ্খোলদা হঞ্জিনহন্দ্রি হায়দুনা নাথৈদুনা লৈথোক্লবদি কেন্দিদেটকী ক্বার্টর অমসুং ময়ূমদা গাড়ী মপোৎ-মপোৎতা লাক্লগা পৌ নমদেদা খাক্লিবা দেমোক্রেসিগী অশেংবা 'ভক্ত' নি হায়জবশিংসিগী খোঙহাই চাখিরোইদ্রা? মখোয়না খূবাক খুদুনা নোকখিরোইদ্রা? য়ানীংদবা, পেন্দবা মীয়ামগী মশীংনা য়াল্লে হায়বসিমসু পুমচুম চুল্লবা ৱাফম নৎত্রা? মসি ওইরগদি মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না নাথৈদুনা লৈথোক্লগদি অপুন্বা ঈশিং মবুক থন্না থকচনীংবা মীনুখাং খরসিনা ওইজ-ওইথক্কীদমক শৌগৎচবা উশিন মীরেপ্না মীহুৎ ওইনা চৎখিবা মশানা তাবনি। মরম অসিনা থা ১২ য়ৌশিল্লক্লবা লানগী মৈশা নংলবা মীয়ামগী থম্মোয়না পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদা ৱায়েল পীহৌবা চুমগনি। লানসিদি খামজিন্দুনা লোইশিনগে হায়রবদি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মিৎনা কুপ্পদা লোইশিনবা য়াই। তৌররোইদো হায়দুনা তৌরক্তবদগী ঙসিদি থা ১১ মপূং ফাখ্রদুনা চহী ফাজিল্লক্লিবনি। মশাগীতা খনবা কুকি লমহেনবা খুজোক অমগী নীংঙাইবু ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোইদবগী মরম লৈব্রা? নীংঙাই ফত্তবা অঙাংনা চু চাগে হায়রক্লবদি পীজবা তাবনি। মকক-মকক চু তাঙ্কক ওইনা ককথৎলো হায়রক্লগনা ককথৎপীবা তাবনি। অদুগা নীংঙাই ফৎত্রিনি হায়দুনা ককথৎলবা মককশিংদু অমুক শমজিল্লু হায়রক্লগনি। নীংঙাই কল্লিবা অঙাংদু মথী তিন অমা চিৎনবা য়ৈবা তাবা নৎত্রা? অদুবু অমা ওইগেরা, অমা ওইগেরা তৌফম থোকপা অমত্তা তৌদনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগী য়াকা য়েংদুনা য়া কাথোক্লগা হৈবোং পান্বী মখাদা লোংনা হিপ্পদৌনা লৈরক্লিবা অয়ন্বশিংসিদা শগোল হঞ্জিন কৈনা চাবগী ফীভমদা অমাংবনি খঙনা খঙনা চোংশিন্দুনা নেৎলুখিগদ্রা হায়বনি। তঙাইফদবদগী খোঙফম ১/২ হন্দোকপসি পাঙদবনি নৎত্রগা মায়থীবনি হায়দুনা লৌবা লানগনি। লান মায় পাক্লবা ফি শেন্বনি হায়দুনা লৌগদবনি। শাওনীংবা, পেন্দবশিং ফাজিল্লগা মীখলসিদা ভোটর পূম্নমক্লা মখোয়গী কন্সটিটুট্যুসননা পীবা হক শীজিন্নগদবনি। কন্সটিটুট্যুসনদি মীয়ামগী য়েক্লবা নত্তে। মীয়ামগী য়েক্লবদি কন্সটিটুট্যুসনগী প্রোভিজনশিংবু খোঙ্গাওনবা, লান্না হুমদুনা পুরিবা মীওইশিংনি। লান নংলক্লবা মীয়াম অমুক য়েক্ল-মাঙদা চাং তাহনবা চুমদে।

ꯑꯄꯨꯟꯕꯥ ꯏꯁꯤꯡꯅꯗꯤ ꯌꯥꯟꯅꯦ
ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯚꯣꯠꯇꯤ ꯊꯥꯗꯍꯧꯕꯥ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ

[illegible]

থা ১১ কুকিশিংনা মীতৈদা ত্রেনিং পীরকপগী মহয়, হন্দক্কী ভোটসিদা খঙলনি

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

কুকিশিংনা মীতৈশিংবু লানগী ত্রেনিং তৌহল্লকপা থা ১১ হেল্লক্লে। কুকিশিংনা পীবিরকপা লানগী ত্রেনিংসিগী মহয় ওইনা হন্দক্কী মণিপুরগী ১৮লক শুবা এম পি ইলেক্সনসিদগী হৌনা ঐখোয়সু মতিক চাবা লুচিংবা খনবা হৈরে হায়বসি উৎহৌবা ফৈ। ৱাফমসি লৈবনিনা হন্দক্কী মণিপুরগী এম পি ইলেক্সনসি মণিপুরগী মীয়াম্না তরাই-তরাইনা লৌবা খক চুল্লরোই। হন্দক্কী ইলেক্সনসি মণিপুরদা লৈবা ফোরেন্নরস ভর্সেস মণিপুরগী ওরিজিনেল য়েলহৌমী কাঙলূপশিংগী অহানবা ইলেক্সননি হায়রসু য়াই। ইলেক্সনসিদা পার্টি অমদি শেল-থুমগী ৱাহন্থোক থোইদোক্লা লৈহনগুমসি। কুকিশিংগী লাননা মরম ওইরগা থা ১১ হেন্না ত্রেনিং ফংদুনা লাক্লবা মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী কাঙলূপশিং ঐখোয়না হন্দক্কী ইলেক্সনসিদা করি অমুক নৌহৌনা খন্থরুফম থোকপগে? মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী ঐখোয়গী শেংলবা শক্তমশিং, মণিপুরগী মপান্দা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক ফাওবদা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙমগদবা মীহুৎ অমখক ঐখোয়না হন্দক্কী এম পি ইলেক্সনসিদগী খলহৌসি। থৌদৌসিগীদমক ঐখোয়না হন্দক্কী এম পি ইলেক্সনগী কেন্দিদেটশিংসি মথং-মথং য়াম্না চেকশিন্না স্ক্রুটিনি তৌহৌবগী মথৌ তাই। থৌদৌসিনি কুকিশিংনা ঐখোয়বু থা ১১ হেন্না ত্রেনিং পীরকপদগী ফংলকপা ঐখোয়গী তমজনীংঙাই ওইবা মহয় হায়বদু।

মীতৈশিংনা লানবানরিবা য়েক্লবা কুকিশিংসি অসুক্কী মতিক প্রোপেগন্দা তৌবা হে অমসুং কল্লি। ঐখোয়না মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং চেকশিন্না অমসুং কূপ্না শেন্নহৌদবা য়ারক্তে। ফীভমশিংসি য়েংলগা মণিপুরগী য়েলহৌরকঙৈগী ৱারী ময়েক য়াম্না শেংনা খঙবা অমসুং মফম খুদিংমক্তা ময়েক শেংনা ফোঙদোকপসু ঙমগদবা, অপান্নবা মীশক অমখকপু ঐখোয়না ঐখোয়গী এম পি ফমগীদমক তশেংনা মথৌ তারকই। হন্দক্কী ইলেক্সনসিদা ঐখোয়না অসিগুম্বা অপান্নবা মীহুৎসি মুন্না খূৎনা কক-কক লাউনা খৎলগা খলহৌদবা য়াদে। থৌদৌসি ঐখোয়গী তঙাইফদবা ইথৌদাংনি। ইরৈপাক ইরমদমসি লাইরিক্লা ঐখোয়না তন্নগা হৈবনা কুকিশিংনা ওইনা লোইনা হৈদুনা লৈরল্লে। য়ূমদাংবনা কৈনাইখৎলকপগী থৌদৌ হায়বদু ইরৈপাক ইরমদমসিদা চপ চানা থোক্লক্লে। ৱাফমসি হন্দক হৌরক্লিবা কুকিশিংগী চহী অমা মপূং ফারক্লবা লাঞ্জাওসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ঐখোয়দা য়াম্না ময়েক শেংনা পাড়া অমা ওইনা তন্বীবদগী খঙলকপনি। কুকিশিংগী লাননা ফীভমসি য়ৌরবা ফাওবদা মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী ওইরিবা কাঙলূপশিংনা ৱাখল তামিন্নবা অমদি পূনমিন্নবা হায়বদু খক তৌদ্রি। থৌদৌসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী কাঙবুশিং ঐখোয় করম্বা মতমদা অমুক হন্না ৱাখল তামিন্নরক্কদগে অমসুং পূনমিন্নরক্কদগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইহল্লি। য়েলহৌমী কাঙলূপ মশেল ঐখোয় অমত্তা ওইনা পূনমিন্নহৌবনা তুংদা খ্বাইদগী হেন্না চুম্বা অমসুং মহয় চাগদবা পান্দম হায়বদু শোয়দনা ওইরক্কনি। লান হায়বসি লুচিংবা য়াওদনা পাঙথোকপসু য়ারমদে অমসুং পূনশিনমিন্নদনা মচেৎ-মচেৎ লান থেংনবনসু মায়থীবা ওইরকহল্লি।

মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংসি মপুক য়াম্না ফৈ অমসুং চম্মী। ফীভমসিমক্লা ফোরেন্নর ওইনা লৈবাক মথং-মথং লাল্লগা লাকপা অমসুং লৈবাক কয়ামরুমগী মহাউ খঙলক্লবা কুকিশিংনা মণিপুর য়ৌরকপদা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং হোংলকই অমসুং পার্মিনেন্ট ওইনা লৈনীংবা ফাওরকই। অসুম্না কুকিশিংনা মণিপুরদা পার্মিনেন্ট ওইনা লৈনীংবা ফাওরক্লিবসি মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমীশিং ওইরিবা ঐখোয়না পুকচেল য়াম্না চম্না অমসুং তুংগী পোলোইগীদমক করিমত্তা খন্দনা, চুম্না পংহিংদা হিংলুবসিনা ওইহল্লকপনি। অদুবু হন্দক্কী লানসিদগীদি মণিপুরগী য়েলহৌমী ঐখোয়সু মখোয়না পাড়া তন্বীবদগী মখোয়গুম্না শিংবা হৌরক্লে। অদুম ওইনমক ঐখোয়না হন্দক্কী মতাংসিদা ঐখোয়গী এম পিগী ভোটসি কনাদা পীগদগে হায়বসিমদি মওং-মরীল তানা খক খন্নদ্রি। কনানা মণিপুরগী পুৱারী চেকশিন্না কনবা ঙমগদৌরি, কনানা খিৎ হেন্না মণিপুরগী য়েলহৌরকঙৈগী ৱারীশিংগী মরমদা মমুৎ তানা খঙলমগদৌরি অমসুং কনানা মালেমগী মীয়ামদা হৌজিক ইরমদম মণিপুরদা থোক্লিবা কুকিশিংনা তারকপা লানসিগী মরমদা ৱাখল তাহনবা ঙমগদৌরি? হীরমশিংসিদা ঐখোয় নৈনরুদ্রি। হন্দক্কী মতাংসিদা য়েলহৌমীশিংনা মহৌশাগী হৌখিবা ইলেক্সনশিংগুম ভোটনা ভোটনি, লৈবাক্কীনা লৈবাক্কীনি, ঐগীদি মরী-মতানি, ফৈ হায়গেরা ফত্তে হায়গেরা ঐদি পার্টিদা মিং চনখ্রবনি হায়দুনা লৈথোক্লরবদি হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসি হোংলকপদি লায়রদুনা শোয়দনা হেন্না শোকচিনখিনি। মীচমশিংদবু পার্টিগী ৱা হায়বা লৈব্রা? ফরিমখৈদি ফৈ, ফৎত্রে খঙলক্লবদি মীচমশিংদদি পার্টিগী ৱা হায়বা লৈরোইদবনি। থৌদৌসি মুন্না খন্থহৌদ্রবদি হন্দক্কী খোঙফমসি মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়গী পুৱারী ফাওবা মাঙলকপা য়াই অমসুং তুংদা ঐখোয় য়েক্লবশিংগী মীখা পোন্না ফাওবসু হিংলকপা য়াই। পূন্নমকসি নৈনরুবদা ইরমদমসিগী ওইনদি হন্দক্কী এম পি ভোটসি পুৱারীগী মরাইবক লেপকদৌরিবা অচৌবা তাঙ্কক অমা হায়বদু ওইরকই। ঐখোয় ৱাখল তামিন্নহৌবা চুমগনি। হন্দক্কী ভোটসিদবু মমাঙদা হৌখিবা ভোট অতৈশিংগুম্না শেঞ্জাও পায়বা, ভোট লৈগদবগী কোইথি থিবা মীওইশিংদুনা ইশাগী ভোট লৈহনখ্রবদি নহানমখৈ ঐখোয়না শাংলবা থা ১১গী মতম কুকিশিংনা হৌরকপা লাঞ্জাওসিদা খাঙলক্লিবা মৈচাক পূন্নমকসিগী মমল ভোটকী মমলদুনা শোয়দনা শক্লখিনি। ফীভমসি তাহনবা চুম্লোই। মসিমক ওইখ্রবদি মতুংদা ঐখোয়না, কুকিশিংনা হৌরক্লিবা লাঞ্জাওসিগী মরমদা কনাদা করি অমুক হায়রুগনি অমসুং হায়রুবদসু তাবীরকখিগদ্রা? মুন্না খন্থহৌবগী মথৌ তাই।

মণিপুরদা মমাঙদা এম পি ভোট মশীং খঙদনা পাঙথোকখ্রে। অদুম ওইনমক হন্দক্কী চহীসিদা মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি ভোটসিগা মমাঙদা পাঙথোকখিবা অতৈ এম পি ভোটশিংগদি তশেংনা চান্মদা চান্মমক খেন্নবা য়াই। হন্দক্কী কুকিশিংগী লান মনুংগী ভোটসিদি তশেংনমক্কী খেন্নহন্দবসু য়াদবনি। মমাঙগী এম পি ইলেক্সনশিংদদি ইরমদমসিগী অখঙ-অহৈশিংনা ইচম-চম্না, মপুক-মপাউ শেংবা, মীনুংশি লৈবা, মবুদ্ধি-মরৌশিং ফবা, নুপা থোক্লা থবক তৌবা ঙমগদবা অমসুং মণিপুরগীদমক খনগদৌবা মীশক অমখক খল্লগা ভোট পীসিদং হায়নরম্বনি। তৌইগুম্বসুং হন্দক্কী কুকিশিংগী লান মনুংসিদদি মথক্তা পল্লিবশিংসিদগী পুমতোপ তোপ্পা, অনৌবা ৱাখল্লোন খরা হেন্না হাপচিন্দবা য়ারক্তে। য়েক্লবা কুকিশিংনা থা ১১ হেন্না মণিপুরগী তম্পাক্কী লমশিংদা লান তাশিল্লক্তুনা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙহনখ্রে অমসুং অশোক অপন অমদি অকায়-অতোয়শিং কয়ামরুমসু থোকহনখ্রে। পূন্নমকসিনা মরম ওইরগা চেকশিন্না খন্নমিন্নবা য়াগদবা মীওই অমখকপু হন্দক্কী মতাংসিদা নমদুনা ঐখোয়গী এম পি ওইনা কাহন্দবা য়ারক্ত্রি। থৌদৌসি লৈবননি হন্দক্কী মণিপুরগী এম পি ইলেক্সনসিদা মণিপুরগী মীয়াম হুপ্পা ৱাখল তামিন্নবগী মথৌ তারকই হায়রিবসি। হৌজিক্তা মণিপুরগী মীয়াম্না ওইরিবা ফীভম, ৱানরিবা খূৎৱা, ফংনরিবা অৱা-অনাগী চৈথেংশিং, ময়ূম-মকৈশিং ফাওবা মৈ থাদোকপীখ্রবা মতুংদা অমুক্কসু মশা ফাওবা কুকিশিংনা হাৎনবা তান্নরকপদগী রিলিফ কেম্পশিংদা চেনশিন্দুনা হিংনরিবা পূন্সি মহিং পূন্নমকসি কনানা থোকহনবনো? কুকিশিংনা থোকহনবনি। হন্দক্কী মতাংসিদা মীতৈশিংনবু কুকিশিংদা করি শোয়খিবগে? মীতৈশিংনা হৌজিক ফাওবদা চথরিবসি শুপ্নগী মরম খঙদনা কুকিশিংনা তারকপা লানদু ঙাকপা খক্তনি। মীতৈশিংনা কুকিশিংদা চমথোক্লুবা অমসুং মীনুংশি চাউরুবদুনা ঙসিদি মীতৈশিং অমত্তা নেসনল হায়ৱেশিংদা ফাওদুনা ইরমদম মণিপুরসি লাম্থোক্তুনা চৎপা ঙমদ্রে। ফীভমসিদা অমুক্কসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী লানসিগী মরমদা ৱাফম অমা ফাওবা ফোঙদোকপীবা তৌদনা তূমিন্না লেপ্তুনা কুম্নে ওইনা য়েংবীরি। কুকিশিংনা মীতৈশিংদা লান তারকপগী মীতৈশিংনা খাঙলিবা মৈচাকসি শুপ্নগী মথক্তা পঞ্জখ্রিবা খরসি খক্তনা লোইবা নত্তে, লীবগী লোইবসু নাইরোই। ফীভমশিংসি য়েংলগা হন্দক্কী মতাংসিদা ঐখোয়গী এম পিসি কনাবু ওইহনসিগে হায়বসি খন্নবগী মথৌ তারকপনি।

লোইশিল্লকপদা, ইলেক্সননিনা সেক্রেসি মেন্টেন তৌবনিনা হায়নীংবা খুদিংমক হায়বসু য়াদে। হন্দক্কী মতাংসি খক্কী ওইনা কনাবু হেন্না মতিক চাগদগে হায়বদুসু ইশাগী মত ওইনা ফোঙদোকপা ফাওবসু য়াদে। মীয়ামগী ভোট মশীং খ্বাইদগী হেন্না য়াম্না ফংবা মীশক্তুনা হন্দক্কী মণিপুরগী অনৌবা এম পি ওইগদৌরিবনি। মস্বাইসি ফাওবদনি ঐখোয় পূন্নমক্লা ফোংনা হায়নবা য়ারিবসি। মখা তাবগীদি লন্নাই ওইনা তূমিন্না নৈনমিন্নবা চঙই। হন্দক্কী মণিপুরগী এম পিগী ভোটসি চুম্না এম পি অমা ওইনা তৌবীগদৌবা থৌদৌদুদগী তোঙানবা খরা খক হেঞ্জিন্না থৌ পাঙবীবা, মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবশিংনা পাম্মী। ফীভমসিদা কনানা এম পি ওইরগা তঙাইফদনা য়েলহৌমীশিংগী অহেনবা থৌশিংসি পাঙথোকপীবা ঙমগদগে হায়বসি ঐখোয় কূপ্না খন্নহৌসি। ইরমদমসিগী মীচম-মীয়াম ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নবগী তানফমদু য়ৌদ্রিঙৈদা হন্দক্কী ইলেক্সনগী নুমিৎ য়ৌশিনখিবনা হানখিগদ্রসু ৱায়। ●

য়েৎতুমগী মিৎত্রংদা মঙলাক্লরকপা - ৩

শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

ফনেক লোনবী প্রেমিনা হৌজিক ফাওবদা খোই ময়েক অমদি খোই চরোং হায়রিবা ময়েকশিং অসি লোল্লক্লি। মসিগীদমক ফনেক মপানগী অমুবা শরুক্তা লোনগদৌরিবা ময়েকশিং অসিদি হান্ননা উনমদা নমহল্লি। মসিসু মহাক হৈতবদি নত্তে অদুবু মশাগী উনম (শাচা) লৈজদবনা অতোপ্পা উনম নম্ফমশিংদা নমহল্লগা লোনবনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্লা থম্বাল লৈখোক ময়েক নাইবীদা খোই চরোং অমদি খোই ময়েক কয়ামুক লোনখ্রে। অদুম্নদি ওইরগা হিজম ময়েক্তি লোনখিদ্রি। ৱাফম অমনা ঙসি ফাওবদা মহাক্লা লোল্লক্লিবা ফনেকশিং অসি খ্বাংফি (খ্বাংদা শাবা) ঙাক্তনি, ইয়োংদা শাবদি অমুক্তা লোনখিদ্রি হায়রি।

ফনেক ময়েক নাইবীশিং অসি লশিংদগী নাইবা, মচু শংলবা লংনা শান্নরম্মী। হৌজিক্তি মপান্দগী কেমিকেল দাইং (খূৎ হীদাক লাংথক শীজিন্নদুনা মচু শংবা) তৌরবা লংশিং পুশিন্নরকপশিং অসিনা শানরে। মসিবু শারিবা লং অদুগী মখলগী মতুংইন্না ফনেক ময়েক নাইবদুগী মমিংদা 'মিংতপ' অমা তপ্পসি মীতৈ নুপীশিংগী খঙনবীনি। খুদম ওইনা 'কুমজিংবী' হায়না খঙনবা ফনেক ময়েক নাইবী অসিবু শাবদা শীজিন্নরিবা অমুবা মচুগী লং অদুদা শংলিবা মচু অমুবসি 'কুমনা' হায়না খঙনবা পান্বী অমগী মনাদগী লৌবা মচুদা শংবা লশিং লংনি। কুম মচু শংবা লংনা শাবনি হায়বদগী কুমজিংবী হায়না খঙনরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফনেক লোনবী প্রেমিনা ফোঙদোরকই।

অতোপ্পা অমনা ফিগে ফনেক হায়বসিনি। মখল অসিগী ফনেক অসিদি কাব্রংচাক মনা চাবা তীলগী মহুমদগী নাইবা মুগা-লংনা শাবা ফিনি। ফিগে ফনেক অসিদি য়ূম্বাল্লবী মীতৈ নুপী খুদিংনা শীজিন্নগদবা, মপামদগী উল্লকপা অউন ফিনি। মসি লৈবদা নুপা ময়ূমগী মায়কৈদগী শেল হাপ্পবসু চৎনরি।

ফনেক ময়েক নাইবী লোনবসি মহৌশাদি লৈশাবী, মৌনহাশিংগী য়ূম য়ূমদা শূবা য়াবা শিন্থা অমা ওইরম্মী। করিগুম্বদা লৈকায় অমগী লৈশাবীশিং মশা মশাগী খূৎশু-খূৎলায় পুল্লপ পুথোক্লরগা লৈশাবী অমগী মাঙ্গোলদা শঙ্গোই/মান্দপতা পুল্লপ-পুল্লপ লোনমিন্নবসু চৎনরম্মী। অসুম্না ফনেক ফিবান অমা লোনবগী মমল (খূৎশুমল) অসি হৌজিক্তি মখল অনী থোক্লা লৈরে হায়না মাইবম ওংবী প্রেমিনা পাউদল্লকই। মহাক্লা হায়রকপগী মতুংইন্না, লন্নাই ওইনা লোনবীয়ু হায়না শীংলকপশিংগী ফিবান অমা লোনবদা লুপা লিশীং অনী চামঙা লৌই। অদুগা কৈথেল ফন্বীশিংনা য়োন্নবগীদমক লোনবীয়ু হায়রকপশিংদগীদি লুপা লিশীং অমখক (ফিবান অমদা) পীরকই হায়।

অসুম্না কৈথেলদা য়োন্নবা অমদি লন্নাইগী শীংলকপশিং অসিগী খূৎলোন্দা খেন্নরিবসিনা ময়েক শুবা-শুদবা অমদি খোই চরোং ওইবা-ওইদবা হায়বসিনি হায়রি। চুম্নগী খোই লোন্ননবা লং লৈবদা ফিবুং অমগীদমক (মপান অনীগী) লুপা চাম্মগী লং চংই। অদুগা খোই চরোং লোনবা তারগদি লোন্নবা লং লৈবদা লুপা চাম্মা য়াঙ্খৌরোমগী লং চংই। হায়রিবা ফনেক মপান লোনবদা চংলিবা লংগী মচুশিংদি অঙাংবা, অমুবা অমদি মুশিননা ঙাংবা (ঈ মচু/দার্ক টেন) হায়রিবা মচুশিংসিনি। হৌজিক অয়াম্বা মতমদা মশরাইজগী কেমিকেল দাই তৌরবা লংশিং ওইনা শীজিন্নরে। অদুম্নদি ওইরগা ফিগে ফনেক লোনবা তারবদি মুগাগী মচু শঙলবা লং লৈ। মসিদদি ফিগে ফনেক ফিবুং অমা লোন্নবগীদমক মুগা লং লৈবদা লুপা চহুম্মুক চংই। তৌবতবু অরোনমনদি খেন্নবা লৈতে।

খুল্লক্তা হৌজিক ফনেক ফিবান লোন্নরিবসি অহাঙবা মতম ফংবদা লোন্নবনা অয়াম্বা ওইনা তৌই। অতম্মনা মসিনা শিনফম অমা ওইনা শূরবশিংনা ফিবুং অমা লোনবদা থা অমগী চাংদা চংই। মায়পুননা শূদবশিংগীদি মসিদগী হেন্না কুইনা চংবসু য়াওই হায়রি। অসুম্না ফনেক লোনবী অমনা থা অমদা তানবা ঙম্বসি লন্নাইগী ওইরগনা লিশীং মঙা, কৈথেলগী ওইরগনা লিশীং অনীমুক্তনি। মরম অসিনা খূৎনা ফনেক লোনবীশিং অসিগী ইনকম অসি খক্তনা হিংবদি খরা ৱানা থোক্লে হায়রি।

মতমগী য়াওল মতুংইন্না হৌজিক্তি ফনেক মপান লোনবগী থবক অসি মেছিন শীজিন্নদুনা লোনবা য়াওনরে। ময়েকসু খোই নৎত্রগা খোই চরোং ইনৎ হেক নত্তবা ময়েকশিং লোন্দুনা শেৎনরে। মসিগীসু মথক্তা ফনেক ফিবানগী পাকপগী চাং অসিসু হান্না পাক্লম্বদগী শরুক অনী হেন্না পাকপা ফাওবা য়াওরক্লে। মসিগুম্বসিদি অয়াম্বনা মেছিন্না লোনবা ঙাক ওইনা তৌই। অসুম্না মেছিন্না লোনবসিনা অরোনমন হন্থবা অমদি মতম য়াম্না চংদবসিনা নহাশিংনা পাম্নবদি হেনগৎলক্লি। অমরোমদা মসিনা খূৎনা লোনবশিংগী থবক্তদি পাথরক্লবগী মরমদি ওইরক্লি। তৌবতবু মমল য়াম্বা মখলগী ফনেক মখলশিংদি হৌজিকসু খূৎনা অদুম্মক লোলহন্নরি। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা'
(নিংথৌরোল লম্বুবা) -(১৩৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কোরৌ নোংলুপালনা। ঙানোইশা। নোংপোক কোরী শেলনাইবনা। কোরীনা ঙাতুঙ ঙাশা। চোইনৌ সনা শেলসুং নাইবা সনানা। কাওরেল শলগী মনা মালবনা। লেমলৈঙা ঙা কোৎ খুৎশানা। ঙাফম শোইফম হোংঙে। অদু নুমিৎতগী। কোংবম অথাকোংয়ামবা। শোইহোং ফম ও মিংকৌয়ে। পোকনফম লমদমনা। হুয়েল লালদাঙৈদি। লালহাং লোইকোলবা। হুয়েল য়েনলোইবী য়েনলোইবা। য়েনলোইফাবা নিংঙোল। অঙাম নিংশমলোই। লিকোন খাওননবা। মোইমিৎ লৈচুনা অয়েক তময়ে। খুনচাল অয়াঙ হাওপাচা। লাংচা পুঙ খুললিংবদি। তরেৎ শেলতাকনা। শাইবু শেলতোলপনা। শেলগী থবক শুহললে। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯱꯳꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯣꯡꯂꯨꯄꯥꯂꯅꯥ꯫ ꯉꯥꯅꯣꯏꯁꯥ꯫ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯀꯣꯔꯤ ꯁꯦꯂꯅꯥꯏꯕꯅꯥ꯫ ꯀꯣꯔꯤꯅꯥ ꯉꯥꯇꯨꯡ ꯉꯥꯁꯥ꯫ ꯆꯣꯏꯅꯧ ꯁꯅꯥ ꯁꯦꯂꯁꯨꯡ ꯅꯥꯏꯕ ꯁꯅꯥꯅꯥ꯫ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯂꯒꯤ ꯃꯅꯥ ꯃꯥꯂꯕꯅꯥ꯫ ꯂꯦꯃꯂꯩꯉꯥ ꯉꯥ ꯀꯣꯠ ꯈꯨꯠꯁꯥꯅꯥ꯫ ꯉꯥꯐꯝ ꯁꯣꯏꯐꯝ ꯍꯣꯡꯉꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ꯫ ꯀꯣꯡꯕꯝ ꯑꯊꯥꯀꯣꯡꯌꯥꯝꯕ꯫ ꯁꯣꯏꯍꯣꯡ ꯐꯝ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯄꯣꯛꯅꯐꯝ ꯂꯝꯗꯝꯅꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯉꯩꯗꯤ꯫ ꯂꯥꯜꯍꯥꯡ ꯂꯣꯏꯀꯣꯂꯕ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯌꯦꯅꯂꯣꯏꯕꯤ ꯌꯦꯅꯂꯣꯏꯕ꯫ ꯌꯦꯅꯂꯣꯏꯐꯥꯕ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ꯫ ꯑꯉꯥꯝ ꯅꯤꯡꯁꯝꯂꯣꯏ꯫ ꯂꯤꯀꯣꯟ ꯈꯥꯎꯅꯅꯕ꯫ ꯃꯣꯏꯃꯤꯠ ꯂꯩꯆꯨꯅꯥ ꯑꯌꯦꯛ ꯇꯃꯌꯦ꯫ ꯈꯨꯟꯆꯥꯜ ꯑꯌꯥꯡ ꯍꯥꯎꯄꯥꯆꯥ꯫ ꯂꯥꯡꯆꯥ ꯄꯨꯡ ꯈꯨꯂꯂꯤꯡꯕꯗꯤ꯫ ꯇꯔꯦꯠ ꯁꯦꯂꯇꯥꯀꯅꯥ꯫ ꯁꯥꯏꯕꯨ ꯁꯦꯂꯇꯣꯂꯄꯅꯥ꯫ ꯁꯦꯂꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯁꯨꯍꯂꯂꯦ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।